# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-11-2025)**

**প্লেন (এল)ঃ** অৰাং নোংপোক্কী অতে রাজ্যশিংগা য়েংনবদা ইম্ফাল সেক্তরগী ওইনা এরোপ্লেন ভারা হেনগৎলকপা অমসুং এরোপ্লেন পাইবগী চাং নেম্বগা মরী লৈননা ত্রান্সপোর্ট টেক্সতাইল কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায়না ইয়ারপোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া, ইয়ার ইন্দিয়া এক্সপেস, ইন্দিগো অমসুং এল্লাইয়েন্স ইয়ারগী মরুওইবা ওফিসিএলশিংগা ঙরাং মীফম পাঙথোকখ্রে।

রাজ্য সরকারগী ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-মীফম অদুদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরিনা অৰাং নোংপোক রাজ্যশিংগা য়েংনবদা চৎকদবা মফমগী অরাপ্পা থোইদোকা খেৎনবা লৈত্রবসু ইম্ফাল সেক্তরনা প্লেনগী ভারা ৰাংলিবা অসিগী মতাংদা অখন্নবা ৰাফম ফোংদোকখি।

নেসনেল হায়ৱেশিংদা চৎপগী খুদোংচাবা লৈতবা অমসুং রেলগাড়িগী খুদোংচাবা লৈতবনা মনিপুরদগী মরুওইনা ইম্ফালদগী পাইখিগদবা এরোপ্লেনশিংগী মশিং য়াম্বগী তঙাইফদবা লৈরে। মরম অসিনা এরোপ্লেনগী ভারা মমল ৰাংখৎলকপা অমসুং লম্বী অসিদা এরোপ্লেন পায়বগী চাং নেম্লকপা অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে।

চেরোল অদুনা হায়-ইম্ফালদগী গুৱাহাতি ফাওবগী মিনিট ৪৫ গী লম্বী অসিদা হান্না টিকেৎ মমল লুপা লিশিং অনিদগী অহুম ওইরম্বদু হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা লুপা লিশিং ১০ দগী ১৫ ফাওবা ওইরি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কুপা য়েংশিনবীনবা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রিদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে। শ্রী অনুরাগ ভাজপায়নসু অতে অৰাং নোংপোক লমদমশিংগা য়েংনবদা এরোপ্লেনগী ভারাশিং চুন্নবা চাংদা থন্বীনবসু ইয়ার লাইন

ওফিসিএলশিংদা আপিল তৌখি।

**চুরাচান্দপুর (এল)ঃ** নুমিৎ হুমনিগী মনিপুর খোঙচৎতা লৈরিবা কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-বন্দি শঞ্জয় কুমারনা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাদা চৎকনি। মহাকা মফম অদুগী ওফিসিয়েলশিংগা উনদুনা এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা চুরাচান্দপুরদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী ফিভম য়েংশিনগনি।

মন্ত্রিন জিলা অদুদা কেন্দ্র সরকারগী মখাদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মফমশিং চত্তুনা য়েংশিনগনি অমসুং মফম অদুগী লুচিংবশিং ষ্টেকহোল্ডরশিং উনদ্না রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি। মন্ত্রিনা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার, এস.পি. য়াওনা ওফিসিএলশিং উন্নদুনা মীফম পাঙথোক্কনি।

**সরদার (এল)ঃ** সরদার ভাল্লাভায় পতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা হৌজিক পাঙথোক্লিবা সরদার এদ-১৫০, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল পদ্যত্রাগা মরী লৈননা ঙরাং জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিসতা পাউগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা, মেরা য়ুব ভারত-তমেংলোং, জাদোনং মেমোরিএল কলেজগী এন.এস.এস. য়ুনিটকা পুন্না শিনবা পাউগী মীফম অদুদা নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: সরতচন্দ্র অরোজ্না হায়-কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালয়গী খুত্থাংদা মেরা ভারতনা ভিক্সিত ভারত পদ্যাত্রা পাঙথোক্লি। মসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি-অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না কনশিলহন্নবনি। মহাকা হায়-থা অসিগী ১৩ দা নোনে জিলাদা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ-য়ুনিতি মার্স চৎকনি।

**রেদিও (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালনা মীয়ামগী সেভা তৌরকপা চহি ৬০ মপুং

ফারকখিবগা মরী লৈননা দাইমন জল্লি সেলেব্রেসন ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা সোভেনের অমা পুথোক্কনি অমসুং তোঙান তোঙানবা জাতি কাংলুপশিংগী কালা সংস্কৃত্তিগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-ইং কুমজা ১৯৬৩ গী আগষ্ট ১৫ দা অহানবা ওইনা অকাশবানি ইম্ফালনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগী সেভা তৌরকপা হৌরকখি। ইম্ফালগী রাজ ভবনদা লৈবা ষ্টেদিওদগী থৌরমশিং শন্দোকপা হৌখিবনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা উরান চিরু খুল অমদি মসিগী অকোইবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎলায় কয়া ফারে। ফারবা খুৎলায়শিং অদুদি পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, পোইন্ট টু টুগী রাইফল অমা, রিপিটর গন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, দিটোনেটর অনি অমসুং পোইন্ট থ্রি টুগী নোংমৈ মরু অহুম য়াওরি।

মখা তানা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তেন্থা তুৰাবন চিংগী চিংখোংদগী এম.সিক্সতিন রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল-পি.এ.জি. অমা, মেগজিনগা লোয়ননা পোইন্ট টু টুগী রাইফল অমা, নাইন এম.এম.পিষ্টোল মঙা, টুয়েল্ব বোরগী মরু মরি, গ্রেনেদ অনি য়াওরি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেকমাই পঙ্গলতাবীদগী ঙমখৈ লান্না দ্রগ লল্লোনবা মীওই অনি ব্রাউন্দ সুগর কিলোগ্রাম

অনিগা কোন্ননা ফারে।

**তোবেকো(এল)ঃ** নেসনেল তোবেকো কন্ট্রোল প্রোগ্রাম অমসুং তোবেকো ফ্রি য়ুথ কেম্পেইন থ্রি পোইন্ট জিরো হায়বসিদা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙরাং তমেংলোং জিলাগী সি.এম.ও. ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহৈ লোইশঙশিংবু হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নদবা মফম ওইহনবা, মীয়াম তিনবা মফমশিংদা চুরুত থকপা, পীক্লিবা অঙাংশিংদা হিদাক মনাগী পোৎথোকশিং য়োনবা, মহৈ লোইশঙশিংগী মিটর ১০০ না কোনবা মফমশিংদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়োনবা, হিদাক মনাগী পোৎলমশিং এদভরটিজমেন্ট তৌবনচিংবশিং থেংনরবদি আইনগী মতুং ইন্না ফাইন থিহনবগা লোয়ননা ফাদোক পীগনি।

**হার (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিনদুনা ইং ২০২৫ গী ওইনা নিংথম লৌরোক্কী মরু-মরাং অমসুং য়ুরিয়া হার য়েন্থোকপগী ঙসিদগী হৌরগনি।

লৌউ শিংউ বিভাগনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-থৌরাং অসিগী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, সেনাপতি, কাংপোকপী, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা য়ুরিয়া অমদি নিংথম লৌরোক্কী মরু-মরাংশিং য়েন্থোক্কনি। চেরোল অদুনা হায়-লৌমীশিংনা বিভাগ অসিনা থোকপা চেরোলদা য়াওরিবা হার অমদি য়ুরিয়া য়েন্থোক্কদবা মফমশিংদা লাকপীদুনা লৌমীশিংনা ইশাগী অধার কার্ড নৎত্রগা লমগী পাতাগী চে প্থোক্লগা পোৎলমশিং অসি লৌরবা য়াগনি।

**মেট (এল)ঃ** মেট বিভাগনা হায়রি-মনিপুর নাগালেন্দ মিজোরাম, ত্রিপুরা, করনাতক্কা, গৱা অমসুং অন্ধ্র প্রদেসকী মফম খরদা ঙসি অখাক অরাওগা লোয়ননা ময়াই ওইরপ নোং চুরবা য়াই।

বিভাগ অসিনা হায়-তামিল নাদু, পুদুচেরিগী মফম কয়াদা অকনবা নোং চুগনি। মরক অসিদা, লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংলি। ইয়ার ক্বালিতি মেনেজমেন্ট কম্মিসনগী সব-কমিতিনা লৈবাক্কী কোনুং অসিবু গ্রেদেদ রেস্পোন্স এক্সন প্লান টুগী মখাদা থমলে।

**ইলেক্সনঃ** ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই.সি.আই) না ইন্টরনেসনেল ইলেক্সন ভিজিটরস প্রোগ্রাম ২০২৫ ঙরাংদগী ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল ইন্সটিট্যুট ফোর দেমোক্রেসি এন্দ ইলেক্সন মেনেজমেন্টতা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক তরেৎ- ফ্রান্স, সাউথ আফ্রিকা, ইন্দোনেসিয়া, বেলজিয়ম, ফিলিপিন্স, থাইলেন্দ অমসুং কলম্বীয়াদগী পুন্না মীহুৎ ১৪ না হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ভোট থাদনগদৌরিবা অসি য়েংগনি।

ইলেক্সন কম্মিসনননা হায়-থৌরম অসিগী মনুং চন্না শরুক য়ারিবা মীহুৎশিংনা নুমিৎ নিনিগী ওইনা বিহারদা চৎতুনা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন দিসপেস্ত সেন্টরশিংসু য়েংশিনগনি। ঙরাং পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারিবা মীহুৎশিংদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনশিং উৎখি। মখা তানা ইলেক্তোরেল রোল শেম্বা অমসুং মীখল করমা পাঙথোকই হায়বসিগী মতাংদসু কুপা খঙহনখি। মীফম অদুদা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-গ্যানেস কুমার, ইলেক্সন কম্মিস্নার-ডা: ভিবেক যোসিনা শরুক য়াবা লাক্লিবা মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চুরাচান্দপুরদা য়ু.কে.এন.এগী কাডর মরি হাৎখিবা, ইম্ফাল সেক্তরগী ওইনাা গুৱাহাতি ফাওবগী প্লেন টিকেৎ মমল কা হেন্না ৱাংখৎলকপা অসিগা মরী লৈনবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

চুরাচান্দপুরদা ইন্দিয়ান আর্মিনা য়ু.কে.এন.এগী কাডর মরি হাৎখ্রে, চুরাচান্দপুরদা টোটেল সট দাউন্দ লাউথোকখ্রে, কুকি সি.এস.ওশিংনা কন্দেম তৌরক্লি হায়বা পাউ সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক-সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফালদগীনা গুৱাহাতি ফাওবগী ওইনা ইয়ার ইন্দিয়া এক্সপ্রেসনা টিকেৎকী মমল লুপা লিশিং তরুক্তা হন্থরে অমসুং ফ্লাইট মশিং হেনগৎখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পান নোর্থ ইষ্ট রিজনেল পার্টিগী য়ুম্ফম থোনখ্রে। পুনশিনদ্রবদি অপুনবগী লিংজেল শাগৎপা ৱাগনি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেল কদোমদা থোক্কদৌরি হায়বা টুরিজম লোইশঙনা ফাওবা লৈখায় তাদ্রি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ত্রান্সপোর্টকী এদিসনেল সেক্রেটরিনা প্লেন টিকেৎকী মমল হেনগৎলকপগা মরী লৈননা ইয়ার লাইন ওপরেটরশিংগা উন্নদুনা মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হোমগী ষ্টেট মিনিস্তর বন্দি সঞ্জয় কুমারনা নোনেদা চৎতুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লুংলিলা ইলিজবেত লৈখিদবগী ২২ শুবা পালন থৌরম লুংলিলা

ইলিজবেত কলেজতা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

অনিশুবা রাণি গাইদিনলিয়ু স্পোর্টস মিট-২০২৫ তমেংলোংগী হানা কামৈদা লৈবা নেচরেল ফুটবোল গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।